ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




চহী চুপ্পা পাঙথোরক্লিবা ডা. বি আর অম্বেদকরগী ১৩৪শুবা মপোক কুমওনগী মনুং চন্না দলিট সাহিত্য একাদেমি, মণিপুরনা ডা. বি আর অম্বেদকর নেশনল সন্মান পড়ক-২০২৪ পীরকখ্রবা এদভোকেট এ সুরেন্দ্রকুমারবু তরাম্না ওকখিবা


পীস দাইলোগতি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা শানগদবনি, প্রোক্সি... লামায় ২

লামায় ৪ পহলগাম টেরর এটেক অমসুং মণিপুর!

মথংলেন মাঞ্জ পাম্মুবগীদমক মশানৌ মনেম ... লামায় ৫

লামায় ৬ মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী স্টেট মঙাদা ...

লোঞ্চ পেদশিংদা ইন্দিয়ানা কোয়শিল্লকপদগী পাকিস্তাননা... লামায় ৯

লামায় ১২ মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি : ৱাংজিং য়ুনাইটেদ...


পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা তাওবুংখোক অৱাং লৈকায়দা লৈবা ইমা তুবীলৈমগী খুভম মনাক্তা হান্নগী মিনিস্টর এ কে মিরাবাইনা নৌনা শাবা ইমা তুবীলৈমা কম্যুনিটি হোলবু শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা





Vol. 49, Issue No. 034 | লৈবাকপোকপা, কালেনগী নীনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, April 29, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মীতৈ-কুকি সী এস ওশিংগী পীস পুরক্নবা ২ শুবা মীফম এপ্রিল ২৫দা মখা চত্থনবা হোম মিনিষ্ট্রিনা লেপখ্রবসু পাঙথোকখিদ্রে

## গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা ন্যুজ চেনেল অমনা অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়রবসু খঙহল্লকপা লৈত্রি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো লমহেনবশিংনা মখোয়গী টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদগী 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' লৌগদবনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন্দুনা চথরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবা হঞ্জিলহল্লক্নবগী পান্দমদনি হায়রদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা শীন্দুনা চহী ২ রোমগী মনুংদা অহানবা ওইনা থা অসিগী ৫দা দেল্লীদা মীতৈ-কুকিগী সী এস ও খরগী মীহুৎশিং পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবা হৌখ্রবসু লৈখাই তাবা ফীভম পুরকপা ঙমদবদগী মীফম অদু লোইশিল্লকপদা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীফম চৎলিবা থা অসিগী ২৫দা পাঙথোক্কনি হায়দুনা থৌরাং তৌখ্রবসু পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে।

চৈরকসিদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা ন্যুজ চেনেল 'নোর্থ ইষ্ট লাইভ' কী মায়কৈদগী মীতৈ-কুকি সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীফম অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২



মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা চথরকখিবা তমথীরবা লানগী মনুংদা অহানবা ওইনা এপ্রিল ৫, ২০২৫দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা কুকি-জো ফূরুপকী সী এস ওশিং অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগী মীহুৎশিং য়াওবা মীফমদা শরুক য়াখিবা অমুকো অমসুং ফোক্সকী মীহুৎশিং (ফাইল ফোটো)

# সেরৌ-শুগুনুগী লাঞ্জেন্নরুবশিং হঞ্জিল্লকপা হৌরে, ৱাংহৌরিবশিংদা 'ইয়ূমনা কৌরে' পাউজেনবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

মে ৩, ২০২৩দগী লান হৌরকখ্রবসু শুগুনু এ সীদদি পীস কম্মিটি শেমদুনা নুমিৎ ২৪নি খূৎ থানখিদে, মতমদুগী বি জে পিগী লৈঙাক্তা পীস কম্মিটিনা সী আর পি এফ কম্পনি ৫ থাবীরকউ হায়বদা থারক্তবদগী ঈরাং য়ৌশিল্লকখিবনি : এম এল এ, কে রঞ্জিৎ

সেরৌ-শুগুনুদা লাঞ্জেন্নরুরবশিং হঞ্জিল্লক্লিবসি এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী হোৎনজমন্দগীনি, মহাক্কুম্বা লুচিংবদি অতাঙবনি : ও ইবোবী



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩ দগী মণিপুরদা থোক্লকখিবা ঈরাংনা মরম ওইরগা ময়ূম থাদোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা শুগুনু অমদি সেরৌগী ঙসি ফাওবদা মশাগী ময়ূম ইঙ্খোলদা হঞ্জিল্লকপদা ৱাংহৌরিবশিংবুসু হনবীরক্লো হায়না পাউজেল পুবা 'ইয়ূমনা কৌরে' মিংথোনবা খা মায়কৈগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা হৌদোক্লদুনা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী দেপ্যুটি লিদরসু ওইরিবা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা আপীল তৌখ্রে।

'শুগুনু অমসুং সেরৌ' দগী লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা ময়ূমদা হঞ্জিল্লক্কদবা ৱাংহৌরিবা মীচম-মীয়ামদা মরু ওইনা পাউজেল পীবা 'ইয়ূমনা কৌরে' মিংথোনবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি শুগুনু এন্দ সেরৌ স্পোর্টস দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এস এস এস দি সী)না শীন্দুনা ঙসি শুগুনু ৱাপোকপী গ্রাউন্দদা হৌদোকপদা শরুক য়ারদুনা এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি হৌদোক্লিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# বি জে পিনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রিবসি করি শোয়বদগীনো হায়বদু মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি : এ কে মিরাবাই

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক শেম্বা য়াবগী এম এল এ মশীং শুনা লৈরিবা বি জে পিনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রিবসি করি অশোয়বা তৌরুবগীনো নৎত্রগনা করি মরমগী ঙমদ্রিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি হায়না পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কাদুনা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখিবী এ কে মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি তাওবুংখোক অৱাং লৈকায়দা মহাক্না নৌনা শাবা ইমা তুবীলৈমা কম্যুনিটি হোল শঙ্গাদুনা ইমা তুবীলৈমা হরাওবা কম্মিটি অমদি মীয়ামদা খূৎশিন্নবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মীয়াম্না ভোট থাদদুনা লুচিংবশিং খল্লিবসি মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীনবা অমদি ওৎ নৈনবা নত্তে। অথুবা মতমদা লৈঙাক শেমগদবনি। ইন্দিয়ানা নীংতম্না ফংলবা মতুংদা কন্সটিট্যুশন শেমদুনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরকখিবদু ঙসিদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। ঐখোয় খুদিংমক কন্সটিট্যুশনগী মখাদা লৈগদবনি অদুবু বি জে পি লৈঙাক্না কন্সটিট্যুশনবু খুদুম চনশিল্লগা মখোয়না তৌনীং তৌনীংবা অপাম্বশিং তৌদুনা লৈরে। দেমোক্রেসিনা পীবা মীওইবগী হকশিং মীয়াম্না ফংদ্রে। মীয়ামগী হক মৎপা য়ারোই, ফংহনগদবনি হায়খি।

মণিপুরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা সলাই তরেৎকী ফিরাল খোঙনেৎনখিবা থৌওং য়ানীংদে : এম এল এ রামেশ্বর

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :**

কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীতৈগী সলাই তরেৎকী ফিরাল খোঙনেৎনখিবা থৌওং য়ানীংদে হায়না কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ক্যামগৈদা লৈবা ইবুধৌ মোংয়াম্বা অমসুং খাগেম্বগী থৌনি থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।



পীস ইন্টিগ্রিটি কম্মিটি (পি আই সী), মণিপুর অমসুং ওল ক্যামগৈ নুপী চাওখৎ থৌরাং লূপনা শীন্দুনা ঙসি কালেনগী নোংমা পানবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা শরুক য়ারদুনা এম এল এনা মখা তানা হায়, কুকি খূৎলায় পায়বশিংগী থৌওং অদু কা হেনবা থৌওংনি হায়রদুনা ক্যামগৈ মীয়ামগীদি নোংমা পানবা নুমিৎতা ইবুধৌ অনীগী মফমদা ঈরাৎ থৌনি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# মণিপুর লৈকংলা ওইরক্তনবা লৈবাক লৈহাও কলহৌরসি : কে ঐচ গোপেন

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী লৌমীশিংনা ইশা ইশাগী লৌফম অমদি ইঙ্খোলশিংবু অনৌবা লৌউ পান্থা য়ৌরক্ত্রিঙৈদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌদুনা মাঙশিল্লক্লিবা লৈহাওদগী কলহৌনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না ইরাবত ফাউন্দেশন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ গোপেন লুৱাংনা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা লৌমীশিংদা আপীল তৌখ্রে।

ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক লৈহাও কনবা হায়বসি ইরমদম নুংশিবগী ইহান হানবা খোঙথাংনি। লৈহাও য়াওদ্রবা লৈবাক্তি লৈকংলাগা পাঙ্খকনি। লৈকংলা ওইরবদি মফম অদুদা মীওইবা কৌবা থৱায় পানবনা কৈদৌনুংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা ঙল্লোই। মরম অসিনা লৌমীশিংনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা কান্নবা পীরি। অদুগা লৌ উবদা শেল য়াম্না চঙহন্দনা চাথোক মরাং কায়হন্নবগীদমক মতমগা চুনবা লৌউ পথাপশিং শীজিন্নবা মতম ওইরে হায়খি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১




# মুম্বাইগী ৱেভস সম্মিটতা শরুক য়ারুগনি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস):**

ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রি অমসুং ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ন চেম্বরস ওফ কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ (এফ আই সী সী আই) না শীন্দুনা মথং থাগী ১দগী ৪ ফাওবা মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী অমসুং মপানগী মীদিয়া অমদি এন্টরটেনমেন্ট সেক্টরগী ৱর্ল্ড ওদিও ভিজুএল এন্দ এন্টরটেনমেন্ট সম্মিট (ৱেভস)-২০২৫দা মণিপুরগী মীহুৎ ১০না শরুক য়ারুগনি হায়রি।

সম্মিট অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক নোমিনেট তৌরে হায়রিবা মীহুৎশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী দিরেক্টর আলেকজেন্দর লিওপাও, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# এক্সত্রা এদজ স্কুলগী পোজিশন হোল্ডরশিং ওকখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** কোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেশন, ২০২৫গী রিজল্ট লাউথোরকপদা শীংথানীংঙাই ওইবা চাংদা পোজিশন হোল্ডরশিং য়াওনা মায় পাক্লকখ্রবা ঘড়ীদা লৈবা এক্সত্রা এদজ স্কুলগী মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ঙসি স্কুল অসিগী হোলদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিদা এক্সত্রা এদজ ফাউন্দেশনগী চেয়রমেন অখাম ইমোচানা অথোইবা মীথুংলেন, স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল শাদোকপম বিমোলচান্দনা ময়ায় তাংবল লৌরগা স্কুল অসিগী ফাউন্দেশনগী ভাইস চেয়রমেন নোংমাইথেম নিপামচানা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজগী মথক্তা কন্টেম্পট পিটিশন ফাইল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস):**

ওল মণিপুর বার এসোসিএশন এন্দ অদরস ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ অদরস (দব্লিয়ু পি সী নম্বর ৮৫৯ ওফ ২০২৪) গা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ১৬৬ ওফ ২০২৫গী ৱায়েলদা মমাঙ থাগী ১৩দা কোর্ট অসিনা পীখিবা দিরেক্সনশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রে হায়রদুনা ওল মণিপুর বার এসোসিএশনগী মেম্বর অমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মণিপুর লৈঙাক্কী রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ (দব্লিয়ু ইবোহল) গী মথক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# দিক্কু অমসুং ইলিজাবেথ তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** কোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেশন, ২০২৫দা সাইন্স ষ্ট্রিমদা ২০শুবা পোজিশন হোল্ডর ওইরকখ্রবা চঙাঙ্গৈগী এমপ্রিন্ট সাইন্স একাদেমিগী মহৈরোয় লাইশোম দিক্কু অমসুং ইলেক্টিভ মণিপুরী সবজেক্টতা টোপ্পর ওইরকখ্রবী টিজি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় খরিবম ইলিজাবেথ চনুবু তরাম্না ওকখ্রে।

ঙসি মখোয় অনীনা পীক্লিঙৈদগী মহৈ তম্লকখিবা চরাংপাৎকী এ জি মেমোরিএল একাদেমিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা মখোয় অনীবু তরাম্না ওক্তুনা খুদোলশিং তমখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা প্রিপাক (প্রো) গী কাদরনি হায়বা শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তগী হিজম ঙম্বা মীতৈ (২৪) পুলিসনা লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায় য়াম্বেম লৈরক মচিন্দগী ফারে। মঙোন্দগী মরূ অনী য়াওবা পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অনী অমসুং গাড়ী মচা অমা ফংলে হায়রি।

অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্সনসু ঙসি জিরিবাম কৈথেলদগী সাইরেম বসন্ত এলিয়জ বোমচা (৩৯) কৌবা লখিপুর ৱার্দ নম্বর ৮দগী পি এল এগী কাদর অমা ফারে হায়রি।

# দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী কেসতা মীওই ১ ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তাংজেং অহল্লুপ্তগী হৌজিক্না ন্যু চেক্কোনদা লৈরবা খাইদেম নাওচা (২৮) অপোকপা কে ঐচ জুগিন্দ্রো কৌবা নহা অমা মহাক্কী লোয়নবীদা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী থৌওংশিং চৎখে হায়বগী মরালদা ঙসি পুলিসনা ফারে হায়রি।

মহাক্কী লোয়নবী অদুগী মমিংনা নেংনৈহোয় (২৫) কৌই, চুড়াচান্দপুরগী হেংলেপ সব দিভিজনগী কে লাংজোল ভিলেজদগীনি হায়রি।

মহাক্কী লোয়নবী অসি ঙরাং মপামগী মীওইশিংনা লোক্তাক প্রোজেক্টকী গেটতগী লৌশিনখিবগা লোয়ননা মপুরোইবগী মায়োক্তা ৱাকৎলকপদগী চুড়াচান্দপুর পি এসনা জিরো এফ আই আর অমা লৌখৎপগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টকী ৱিমেন পি এসনসু কেস অমা লৌখৎলগা ফাবনি হায়রি।

# প্রিপাকনা সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ওইনাম লান্দবা অমসুং লাঞ্চ কোর্পোরেল অহন্থেম কংলৈগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ :** কে ৱাই কে এলগী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ওইনাম লান্দবা অমসুং কে সী পিগী কমরেদ লাঞ্চ কোর্পোরেল অহন্থেম কংলৈগী মফমদা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) না ইকায়খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী পব্লিসিটি ওফিসর (দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) মঙাল খুমননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ২৫ ইরাই নুমিৎতা কংলৈপাক অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা অপূনবা য়াওল্লুপশিংগী তেঙ্গোল অমগা আই ও এফ অমদি মখোয়না শেমগৎপা প্রোক্সি ফোর্সেস অমগা খূৎ থোক্লবা থৌদোক অমদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ৱাখল্লোন মান্নবা নীংতম লূপ কংলৈ য়াওল কন্ন-লূপ (কে ৱাই এল) গী লান্মী শঙলূপ মীয়ামগী য়াওল লান্মী (এম ৱাই কে এল) গী পাথৌ সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ওইনাম তেলহৈবা এলিয়জ লান্দবা (৩৬) অমদি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী লান্মী শঙলূপ মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল) গী কমরেদ লাঞ্চ কোর্পোরেল অহন্থেম বিশান এলিয়জ কংলৈ (২৯) গী মফমদা প্রিপাকনা অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মণিপুরগী লান অসি পোলিটিক্সনি, পোলিটিক্স তৌরিবা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মীচং চঙবনিনা লোইগদবা মান্দ্রে : অঙৌ

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

মোটবুংদগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...)

মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি লৈঙাক্না মখা তানা ঙাক শেনবা ঙমগদৌরিব্রা নৎত্রগা ঙল্লোইদৌরিব্রা খঙদে। মীচং চঙনরব্রা হায়বসু খঙদে। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদি হায়ফম খঙদ্রে। হান্নগী লানগা হৌজিক্কী লানগসু মান্নদ্রে। মমাঙঙৈদদি বোম টোপ শীজিন্নদুনা শোক্নবনি। হৌজিক্কীসিনা মীয়ামগী লান ওইবগুম তৌরে। মোটবুংদা জপান অমদি বৃটিশকী অকাই অতোই থোক্লবা টেঙ্কশিং লৈরম্বদু লোইনা য়োন্থোকখিবা মাল্লি। জপান লানগী মমাঙদদি ইলেক্সনসু পাঙথোক্লমদে। হৌজিক অসুক য়াম্না লৈরক্লিবা কুকিশিং অসি কদাইদগী লাকপনো খঙদ্রি। অদুবু লৈঙাক্না লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিলহল্লগদি নে তানা লৈবা ঙমগনি। লৈঙাক্না শেল ওইনবু পীরবসু, য়ূম শানবা মফম ওইনা পীরবসু অমসুং মসিগী মথক্তা য়ূম ওইনা শাবীরবসু লাঞ্জেন্নরিবা ঐখোয় মহৌশাগুম্না লৈবা ফংলগনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা পংলৈ লৈবগী মওং অসি কয়াম কুইনা লৈবা য়াগদোইনো হংলদুনা লান অসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পোলিটিক্স শান্নদুনা লৈরে। লাকশিনগে হায়রবদি ঙমদবা লৈরোই হায়রকখি।

মোটবুংদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ১০০শুরবা লৌরিয়াম অঙৌনা ৱাফমশিং অসি পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, শুমাং লীলা অমসুং মোইরাং পর্ব্বনচিংবদা থোইবীগী শক্তম লাংদুনা শরুক য়ারকখি। কৌত্রুক, সেঞ্জম চিরাং, সেবোক লৈকায়নচিংবশিংগী থৌদাং ঐনা লৌই। নুপীগী শক্তম লাংবী ঐ মুন্নবদা লীলা কায়বা য়াওখি। কৌত্রুক্তা লৈরিঙৈদনা লীলা পানখৎতুনা শান্নখি। লীলাদা থাঙ লৈতেং হাইখি অমসুং খোংজোম পর্ব্বসু শকই। ওজা নাইনা তমদুনা শকপদি নত্তে, লীলাগী মনুং চন্না শকপনি।

অসুম্মাইনা তৌরকপনা ঐহাক্না মোটবুংদা লৈরবা মতুংদসু লীলা লিংখৎতুনা শান্নে। অদুবু মসিদা অতোপ্পা ফূরুপকী মীওইশিং য়াওদে, মীতৈ খক্তনা য়াওই। উরিপোক্তগী দাদা লৈমানসিং হায়বদুনা খম্বগী শক্তম লাংই। অতোপ্পা আর্টিষ্টশিংদি হৌজিক লোইনা লৈখিদ্রে। হিংহৌরিবা হায়ববু ঐহাক খক্তা ঙাইরে।

জপান লানদগী পাবদা ইশাগী চহী ১০০ শুরে। মতমদুদা লীলা পার্টি য়াম্না লৈরমদবনিনা লীলা শান্নবা চৎপদা ঈশৈসু অদুমক শকই। লীলাদা শরুক য়ারকপদা নত্তনা থাঙ হাইবা তম্লকই। মতম অদুদা ঐগী খোঞ্জেলসু য়াম্না ফরম্মী। (মথং-মথং)

# কে ৱাই কে এল ১সুং কে সী পিনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি



ওইনাম লান্দবা অমদি অহন্থেম কংলৈ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ :** কংলৈ য়াওল কন্ন-লূপ (কে ৱাই কে এল) গী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ওইনাম তেলহৈবা এলিয়জ লান্দবা অমসুং কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী লাঞ্চ কোর্পোরেল অহন্থেম বিশান এলিয়জ কংলৈনা লৈখিদবদা কে সী পি অমসুং কে ৱাই কে এলনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারক্লি।...মখা লমায় ৩ কলম ২


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫